# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Readable — HL — The messenger of the masses


কার্বি ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, অসামগী ৪৫শুবা জেনরেল কনফরেন্সতা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা লুচিংবা টিমনা শরুক য়াবা


লামায় ৩

লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোকপা মিস মণিপুর ক্বিন খনবগী ট্রেদিসনেল রাউন্দগী শক্তম অমা



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইম্ফাল খোঙচৎ মনুংদা শঙ্গাগদবা প্রোজেক্টশিং অমসুং ৱা ঙাঙগদবা মফম চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিমনা য়েংবা



থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট অসি এস এ জি ৱাইগী মখাদা মোদেল ভিলেজ ওইহনবগী মায়খুম ইন্নরগী এম পি ডো. থোকচোম মৈন্যনা হাংদোকপগী শক্তম


লামায় ১


Vol. 41, Issue No.338 | নোংমাইজিং, লমতা ২৪ নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, March 11, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭০.৬৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৬১.০৫

## এক্সিদেন্টদা ২ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১০: তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা লম্বীগী খূদোংথীবা থৌদোকশিংদা মীওই অনী শিরে। অহানবা থৌদোক অদু ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা জিরিবাম বাবুপরাগী এফ সী আই গোদাউনদা চেঙ থাবা লাকপা ট্রক অমগা খামদুনা লৈবা ট্রক অমগা থেংগায়নবদা খামদুনা লৈরিবা ট্রক অদুগী দ্রাইভর শিরে হায়রি। লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অদুগী মমীং মহমদ নাসির খান (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি কোরা কৌই। মহাক য়াইরিপোক চংঙমদবী মখা লৈকায়দা লৈবনি। মহাক্না থৌবা গাড়ী অদুগী নম্বরনা এমএন০১/৭৩১৯ নি। লৈখিদ্রবা এম দি নাসির খানগী ময়াম্বনা গাড়ী অদুদা সেকেন্দ দ্রাইভর ওইনা চৎপনি। মখোয়গী ট্রক অদুনা চেঙ থাননবা থৌরাং তৌরিঙৈদা অতোপ্পা ট্রক অদু থৌজিল্লকপদগী গাড়ী অনী চপখায়নরকখি। মদুদা দ্রাইভর নাসির খান লৈখিদবনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.000375 |
| US Dollar | 65.004968 |
| British Pound | 90.027580 |
| Australian Dollar | 51.042967 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.268935 |
| Japanese Yen | 0.608675 |
| Malaysian Ringgit | 16.614693 |
| Norwegian Krone | 8.358297 |
| Singapore Dollar | 49.372886 |
| South Korean Won | 0.061073 |
| Swedish Krona | 7.884393 |
| Turkish Lira | 17.053445 |
| Myanmar Kyat | 0.04848 |
| Bangladesh Taka | 0.78324 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 31240.64 |
| Mumbai | – | Rs | 31882.35 |
| Delhi | – | Rs | 31711.23 |
| Kolkata | – | Rs | 32010.70 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৮৮ °C | ১২.৯০ °C |
| চান্দেল | ৩৩.৪২ °C | ১৩.২৫ °C |
| সীসীপুর | ২৯.১৪ °C | ১০.৭১ °C |
| ইম্ফাল | ২৯.৫৩ °C | ১০.৬০ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৭৮ °C | ৮.৫২ °C |
| তমেংলোং | ৩০.৮৯ °C | ১২.৩৪ °C |
| থৌবাল | ২৯.৪৭ °C | ১৩.২১ °C |
| উখ্রুল | ২২.০২ °C | ১১.১৮ °C |
| মণিপুর | ৩৩.৫৮ °C | ৮.৫২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## HL POLL

**Q:** Layengba ngamlaroidaba anabasing mathanta shijaba yahallibasi pukning thougatningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q:** Tripura da BJP gi workershingna LENIN gi meetam excavator sijinnaduna thugaikhibasi yaningbra?

Yes 10% No 90%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অস! লোইরেহে!

খুরা খুদাংদা ওইনা কাপসিরা...!



ইবেম্মা ঐগীসি শিবা য়াবা অনাবা নত্তে, নঙগীদুবু কমদৌজাৎনো...!

## লুপা লাখ ২৫ গী হেরোইনগা লোয়ননা ম্যানমার মচা ১ ফারে

# লুপা ক্রোর ৪ রোমগী মমল ওইগদবা সনা কেজি ১৬ খুদেংথাবীদা ফারে



ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা চাওরাক্লা মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ২৫ রোমগী মমল ওইগনি হায়না চিংনবা হেরোইন পাউদর ফারে।

হেরোইন পাউদর অদু ম্যান্মার মচা অমনা মণিপুরদা পুশিন্নবা থৌরাং তৌরম্বনি। হেরোইন পাউদর অদু তোঙান-তোঙানবা সাপোন কেপ-শিংদা সাপোনগী মওং মালহল্লগা হাপ্তুনা পুরকখিবনি। মফম অদুদগী পুলিসনা চেখাউ ৩০ দা য়োম্লবা হেরোইন অদু ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অদুদগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট খরসু ফংবা ঙমখি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী মোরে ৱার্দ নম্বর টুদা লৈবা শ্রীঅঙ্গলা প্রমেশ্বরী অমদি শ্রীমুনেশ্বর টেম্পলগী ময়াদা নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর লল্লোনবা মীওই খরা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ ফঙবদগী তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা মোরে কম্মান্দোগী দি এস পি থোমাস থোকচোম অমদি মোরে কম্মান্দোগী ইন্সপেক্তর পি তরুনকুমারনা লুচিংবা টিম অমদি নার্কোটিক এফেয়ের্স বোর্দর পুলিস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বা চখবদা ম্যানমার মচা অমা ফাখি। মহাক্কী মমীং য়ু জোলিন (৩৩) অপোকপা য়ু ম্যু মুঙ কৌই। মহাক ম্যানমারগী ইনচিন মেন ফায়িং পিনমিওদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর অদু তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ৩০ দা হাপ্লগা পুরম্বনি। মসিদা নত্তনা ৱর্ল্ড ইজ য়োরস টেব্লেট ২৯৮ সু ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা নম্বর ফোর পাউদর অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ২৫,৮৯,০০০ রোমগী ভেল্যু ওইগনি।

মরক অসিদা, দিরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টিলিজেন্স অমসুং অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা পূন্না খূৎশম্নরগা ঙরাং খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অসিদগী লুপা ক্রোর ৪ হেনবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## শেলগী দিমান্দদা বি আই পি এলগী ওফিসল ২ ফাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): জিরিবামদগী তুপুল ফাওবগী মরক্তা রেলৱেগী টন্নেল হূৎপগী থবক তৌরিবা ভারত ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদ (বি আই পি এল) কী ওফিসল অনী মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা মক্রু মনাক্কী ৱার্ক সাইট এরিয়াদগী কিদনেপ তৌখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। শকখঙদবশিংনা ফাখ্রবা ভারত ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদকী ওফিসল অনী অদুদি রাজষ্টানগী সিকরদগী অশোক শর্ম্মা অমদি লমদিংদগী বিধুয়ুথ মজুমদারনি। মখোয় অনী ঙসি জিরিবামরোমদগী নেসনল হায়ৱে ৩৭ দা লাকখি। মখোয়না মক্রু য়ৌরকপদা মফম অদুদা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবা মীওই অহুম মরিনা ওফিসল অনী অদু গন পোইন্টদা ফারগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## 'মণিপুরগী অঙ্গনৱাদি সেন্টর চাদা ৭২.৯৫ দি টোইলেট লৈতে'

### লৈবাক অসিগী অঙ্গনৱাদি সেন্টর লাখ ৪.৫ দা টোইলেট অমদি থক্লবা ঈশিংগী খুদোংচাবশিং লৈতে : রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০(এজেন্সী): মণিপুরগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা হাংলিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী চাদা ৭২.৯৫ রোমদি টোইলেটকী খূদোংচাবা লৈতে অমসুং লৈবাক অসিগী অপূনবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর লাখ ১৩.৬কী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম টোইলেট অমদি থক্লনবা ঈশিংগী খূদোংচাবা ফংহনবা ঙমদে হায়না পর্লিয়ামেন্টরি পেনেল রিপোর্ট অমনা হায়রি। রিপোর্ট অদু ঙসি হাউসতা পুথোকখিবনি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অসি সেন্টরগী ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট স্কিমগী শরুক অমনি। মখোয়না নুপী অমসুং অঙাংশিংদা সার্ভিস তরুক্কী পেকেজ পীরি। সার্ভিস তরুক্কী পেকেজ অদুদি সপ্লিমেন্টরি ন্যুট্রিসন, রিফরেল সর্ভিসেস, ইম্যুনাইজেসন, হেল্থ চেক- অপ, প্রি-স্কুল নন-ফোর্মেল এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ এন্দ ন্যুট্রিসন এদ্যুকেসননি হায়না পল্লি।

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টগী মতাংদা দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী রিপোর্টকী মতুংইন্না, সেন্টরগী স্কিম অসিবু পায়খৎপদা খুমাং চাওশিনবা ঙমহন্দ্রিবসি থক্লনবা ঈশিং অমসুং টোইলেটকী খূদোংচাবশিং অঙ্গনৱাদি সেন্টর লাখ ৪.৫ রোম অসিদা লৈহ-ন্দবদগীনি। ৱাফম অসি ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরিগী রিপোর্ট অমদা পনখিবনি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারি মদুদি, অঙ্গনৱাদি সেন্টর চাদা ২৫ রোম থক্লনবা ঈশিংগী খূদোংচাবা লৈতে অমসুং চাদা ৩৬ না টোইলেট লৈতে। মখা লামায় ৩ কলম ৪

## এস টি দিমান্দ অচুম্বা খোঙথাংনি : চন্দ্রকিশ্বর



ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা শক্লাইরবা কয়া পরিং নাইনা উনদুনা মোত লৌবগী খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা কোওর্দিনেটিং বোদি অসিগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মেম্বরশিংনা থৌবাল হাওখাদা লৈবা রিটাইয়র্দ এস পি লিসম চন্দ্রকিশ্বরগা উনখ্রে।

এস টি দিমান্দ কম্মিটিগী মীওইশিংনা উনখিবা অদুদা রিটাইয়র্দ এস পি লিসম চন্দ্রকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা দিমান্দ কম্মিটিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি অচুম্বা, তঙাইফদনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক খন্দুনা তৌদবা য়াদ্রবা খোঙথাং অমনি। ঙসিদগী চহী ৪০ রোমগী মমাঙদা মীতৈ/মৈতৈশিংবু জেনরেলনি হায়না শোয়বদগী রেকোর্দ লান্না চৎখ্রবসু ঙসিদি অরানবা অসি চুমথোকপা তঙাইফদ্রবনি। মসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমসুনি। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক কয়ানা ৱাফম অসি পুখৎতুনা খন্ন-নৈনরমদ্রবসু হৌজিক পাল্লিবা মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অসিনা এস টি দিমান্দ কম্মিটিগী দিমান্দ অসিবু খঙদুনা থবক্তা শোয়দনা ওন্থোরক্কনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈশিংগী তুংদা ওইরক্কদবা অৱাবা কয়াদগী কন্নবা হোৎনরক্কনি হায়না থাজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি উনখিবা অদুদা কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই নিলামনি, ট্রেজরর এস কুন্দিচা অমদি অতৈ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। অতোপ-অতোপ্পা দিমান্দ কম্মিটিগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসনসু শক্লাইরবা মীওইশিং উনদুনা মখোয়-মখোয়গী অপাম্বা খঙদোক্লনবা হোৎনখিগদৌরি।

## তম্ফাগী এক্সগ্রেসিয়া লুপা লাখ ৫ পীরগনি : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর রিছার্চ ওন ইনভাইরনমেন্টেল দিভলপমেন্ট (সি আর ঈ দি)গী মেম্বর লৈখিদ্রবী স্বীপর তোইজম তম্ফাদা লুপা লাখ ৫ গী এক্সগ্রেসিয়া পীরগনি হায়না ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউসিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মহুদ) কী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ব্লুমিং মণিপুরনা আই এম সিগা খূৎশম্নদুনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা কম্যুনিটি গার্দেনিংগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, লৈখিদ্রবী স্বীপর অদুদা এক্সগ্রেসিয়া পীবগী ৱাফমসি লাওথোকখিবনি।

ক্যাম্পেগ খোইরোম লৈকায়দগী তোইজম তম্ফা থা অসিগী ৫ দা শিংজমৈ এরিয়াদা ৱাই শীৎলিঙৈদা কার অমনা থোম্বদগী মফমদুমক্তদা শিখিবনি। পনবা য়াই মদুদি সি আর ঈ দি অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সি) গা খূৎশম্নদুনা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং এন জি ওশিংগী মনুংদা অমনি।

থৌরমদুদা তীল্লিবশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মহুদ মিনিষ্টরনা আই এম সিগী ৱাকরশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা থবক তৌবা মতমদা মরু ওইনা নেসনল হায়ৱেশিংদা মথৌ তৌবা মতমদা সেফটি বোর্দশিং ( সেফটি ফ্লোর সাইনশিং) শিজিন্ননবা অপিল তৌখি। মীয়ামদা গাড়ি য়াংনা থৌদনবা অমসুং ট্রাফিক রুলশিং অমসুং রেগ্যুলেসনশিং ঙাক্লনবসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কৈথেলগী চান-চানবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানব লৈশুশিং য়াওবা গল্লাশিং থীন্দুনা ইম্ফাল অমসুং অতৈ এরিয়াশিংবু ফজহনবগীদমক্তা মহাক্লা ব্লুমিং মণিপুরবু থাগৎখি।



হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন দিপার্টমেন্টনা তঙায় ফদবা মতেং পুম্বা পীগনি হায়না থাজবা পীবগা লোয়ননা মহাক্লা ব্লুমিং মণিপুরবু অতৈ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াশিংদসু থবক য়ৌশিন্নবা পুক্লিং থৌগৎখি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ইম্ফাল সিটি অমসুং মসিগী অকোয়বশিংবু লু-নান্না থম্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক্তা মতেং পাংনবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি। মহাক্লা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী নুপী ভেন্দর-শিংদা লৈ থাবা অমসুং লৈ ঈশিং চায়বগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সী এমগী হকশেলগী তেংবাং এক্সপ্রেস পব্লিক হেল্থ এৱার্দ ফংলে




ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীয়ামগী অনা-লায়েংগী লম্দা খূদোংচাবা ফংহন্নবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাখল্লোনদগী লিংখৎখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং এক্সপ্রেস পব্লিক হেল্থ এৱার্দ ২০১৮ ফংলে।

এৱার্দ অসি পুনেদা লৈবা গ্রুপনা হেল্থ সমিটকা মরী লৈননা শীনবা থৌরম অমদা ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস গ্রুপনা মরী লৈনবশিংদা লান্থোক-খিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং কৌবা স্কিম অসিগীদমক গ্রুপ অসিনা মণিপুরগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র ...মখা লামায় ৩ কলম২

## জীরো বেলেন্সতা হাংখিবা একাউন্ট কয়া শেল কায়থোকপা য়াদবগী ৱাকৎ লাক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (য়ু বি আই)গী বিজিনেস করেস্পোন্দেন্ট এজেন্টশিংদা জীরো বেলেন্সতা হাংখিবা একাউন্ট হোল্ডরশিং মমাঙ থাদগী শেল কায়থোকপা য়াদবদগী অৱাবা মায়োক্লরে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌশিল মখাদা ফাইনান্সিএল ইনক্লুজন লাউথোক্তুনা খুঙ্গংগী মীওইশিং অমদি য়ুমথোঙ খূদিংমক্তা বেঙ্ক একাউন্ট হাংহন্নবগী থৌরাং পায়খৎলকখি। জীরো বেলেন্সতা একাউন্ট হাংবগী থবকশিং চথুদুনা লাকখি। মণিপুরদা য়ু বি আইগী ওইনা কুমজা ২০১২ কী মার্চতগী ফাইনান্সিএল ইনক্লুজন হৌখি। জীরো বেলেন্সতা একাউন্ট হাংখিবশিংদা স্মার্ট কার্দ পীদুনা বিজিনেস করেস্পোন্দেন্টশিংগী খূথাংদা বাইওমেট্রিক ট্রাঞ্জেক্সন তৌহল্লি। কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ২৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা লাউথোক্তুনা জীরো বেলেন্সতা একাউন্টশিং হাংহনখি। সবসিদিশিং একাউন্টতা চঙবা হৌনখ্রে।

য়ু বি আইগী ফাইনান্সিএল ইনক্লুজনগী ওইনা কুমজা ২০১৭কী জুলাই থাদগী আধার ইনেবল পেমেন্ট সিষ্টেম, আধার নম্বর শীজিন্নরগা শেল ৱিদ্রো তৌবা হৌনখ্রে। বিজিনেস করেস্পোন্দেন্ট-শিংনা পায়রিবা বাইওমেট্রিক দিভাইসশিং ইখঙ খঙহৌদনা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা দিভাইস রেজিষ্টর তৌদবগীনি হায়দুনা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী একাউন্ট হোল্ডরশিংগী শেল ৱিদ্রো তৌবা য়াহনখিদ্রে। বিজিনেস করেস্পোন্দেন্ট এজেন্টশিংনা হান্না পায়রিবা দিভাইসশিংদা রেজিষ্টর দিভাইস তৌগে হায়রবসু ফেলকোন কৌবা বাইওমেট্রিক দিভাইস নৎত্রগদি য়ারোই হায়বদগী বিজিনেস করেস্পোন্দেন্ট খরদি মশা-মশানা মার্জিন মনি পুথোক্লগা বেঙ্কতগী লোন লৌদুনা বেঙ্ককা টাইট অপ তৌবা এম/এস ...মখা লামায় ৩ কলম৪

## এম পি ডো. মৈন্যনা থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট মোদেল ভিলেজ ওইহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট অসি সনসদ অধর্শ গ্রাম য়োজনা (এস এ জি ৱাই)গী মখাদা মোদেল ভিলেজ অমা ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি থোকচোম মৈন্যনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

থিনুঙ্গৈ জি দি সী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম পি ডো. মৈন্যনা হায়খি, অফবা ইনভাইরোনমেন্ট, ক্বালিটি এদ্যুকেসন লৈহনবা অমদি রোল মোদেল ওইবা ভিলেজ অমা শেমগৎপদা মীয়াম্না শরুক য়াগদবনি। মোদেল ভিলেজগী ষ্টেন্দর্দ য়ৌনবগীদমক লৈঙাক্কী ওফিসলশিংগা খূৎশম্নবা অমদি উ পাম্বী মরাং কায়না থাবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপদা খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াবীয়ু। এস এ জি ৱাইগী মখাদা এম পি অসিনা কুমজা ২০১৯ ফাওবদা ভিজেল অহুম মোদেল ভিলেজ ওইনা এদোপ্ট তৌগনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পঞ্চায়ট মেম্বর, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর, পব্লিক লীদর অমদি খুঞ্জা কয়াসু শরুক য়াখি। দি সী পাবন য়াদব অমদি থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নাওরেম ভৈগ্যবতিসু শরুক য়াখি।

## তুরেল খোংনুংদা শারম্বা য়ূম/দুকান ৩০০ লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস): নোংজুথাগী মতমদা তুরেলগী ঈশিং ঈচেলদা অপনবা পীদনবগী পান্দমদা তুরেলগী খোংনুংদা শাজিন্দুনা লৈরম্বা য়ূম, দুকান, কম্যুনিটি হোল অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়ামরুম মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিনা শীদোকপা হৌখ্রে।

লেপ্তুনা চত্থরকপা খোঙজং অসি ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিগা খূৎশম্নরগা মণিপুর পুলিসনা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা থিংননবা নীংথিনা সিক্যুরিটি পীরগা চত্থহনখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল তুরেলগী খোংনুংদা শাজিল্লম্বা য়ূম-কৈ, দুকান অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৩০০ লোম শীদোক্তুনা মাঙহনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা খরদি মশা-মশানা ওইনা শীদোকচবগী খূদোংচাবা পীখি হায়রি।

ইম্ফাল তুরেলগী খোংনুং তেংবগী খোঙজং চত্থরিঙৈগী শরুক অমা ওইনা তুরেলগী খোংনুংদা লন্নাই মীওই কয়ানা লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লিবশিং তকথোকপগী থবক থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা নিংঙোম থোংজাও মপা য়ৌখ্রে হায়রি। মফম কয়ামরুমদা লম খোপচিন-বশিং তকথোকপসু টিম কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা চথরি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মিনুথোং ময়াদা শারম্বা য়ূম মঙা লৌথোকখ্রে। হয়েংসু মখা তানা মফম অদুৱায়দা লম খোপচিল্লগা শারম্বা য়ূম কয়ামরুম শীদোক্কনি হায়রি।

লৈঙাক্লা মাংজৌননা মার্চ ৩ ফাওবগী মনুংদা তুরেল খোংনুংদা শাবা য়ুমশিং লৌথোক্লবা নোটিস থাদুনা খঙহনখ্রবসু মীওই খরদি মখোয় মখোয়গী য়ুমশিং অদু লৌথোক্তুনা থম্বদগী ঙসি পুলিস অমদি পোরোম্পাৎকী এস দি ও, টিঐচ সলিনা য়াওনা মিনুথোংগী ইম্ফাল তুরেল খোংনুংদা শাবা য়ূম মঙা তকথোকপা হৌখ্রে।

পুলিসনা স্বাভেটর পুরক্তুনা খোংনুংদা শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক চত্থবদু অহানবদদি মীওই কয়ানা অথিংবা পীরম্মী। অদুবু, সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌরাং অসি মীয়ামগী য়াইফননবনি অমসুং লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না তৌদবা য়াদবনি হায়না ফোঙদোকপদগী পাম্বৈ লৈত্রবা মীয়াম পূন্নমক ...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-P/662/28Feb-2April